# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Thursday, April 22, 2021, Imphal | Page 11




মতম শাংনা মখূউ শোকপদগী মেটচ কয়া শান্নবা ঙম্লুদ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিককী ষ্টার প্লেয়র অমা ওইরিবা বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সিজনদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পাঞ্জল চনবা ঙম্বগী রেকোর্দ থম্বা ঙম্লবা হোৎনরক্লিবা রোবর্ট লিৱান্দোস্কি



মে ১১দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা ন্যু দেল্লীনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লমগদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট য়ৈথোকখিবা অদুবু নুংঙাইতবা ফোঙদোরকখিবা পরুপলি কশ্যপ

## চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু থোইখ্রে, পঞ্জাব কিংস সনরাইজর্সকী মখূৎতা মায়থীহৌরে





মুম্বাই/চেন্নাই, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু রন ১৮দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মখূৎতা পঞ্জাব কিংস ৱিকেট ৯দা মায়থীহৌরে।

মুম্বাইদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ১৫শুবা মেটচতা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা টোস ঙমদুনা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়োক্তা বোলিং তৌখি। মদুদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৩খক আউট ওইরগা রন ২২০ লৌদুনা য়াম্না ফজবা স্কোর অমা থম্বা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর ফাফ দু প্লেসিসনা আউট ওইদনা শুপ্নগী বোল ৬০দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৯৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংস ওইখি। অতোপ্পা ওপনর রুটুরাজ গেক্বাদনা বোল ৪২দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর য়ৌরকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী রন ২২১ লৌনবা হোৎনরকপদা মকোক থোংবা বেটসমেন ৫ রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন দিনেশ কার্তিক অমসুং ৭শুবা বেটসমেন এন্দ্রি রসেলনা ইন্নিংস শেমগৎপা হৌরকখি। রসেল শুপ্নগী বোল ২২দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুৎ চঙলকখিবা পেট কম্মিন্স অমসুং দিনেশ কার্তিকনা মখা তাবা ইন্নিংস শেমগৎলকখি। কার্তিক বোল ২৪দা রন ৪০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। অতোপ্পা মখা তাবা বেটসমেন অহুম রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবা অদুনা বোল ৩৪দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৬৬তা আউট ওইদনা লৈখিবা পেট কম্মিন্সনা মেটচ অদু কনবা ঙমখিদে। মখোয়গী ইন্নিংস ওভর ২০গী অহানবা বোলদা রন ২০২দা লোইশিন্দুনা চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ১৮দা থোইখি।

চেন্নাইদা শান্নখিবা আই পি এলগী ১৪শুবা মেটচতা পঞ্জাব কিংসনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফজবা ঙমখিদবা মরম্না অপীবা ওভর ২০ শান্নবা অদুদা মপূং ফাবা ঙমদনা অরোইবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১২০ খক লৌবা ঙমখি।

সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা বোলরশিংনা য়াম্না ফজবা এটেক চথুদুনা পঞ্জাব কিংসপু রন লৌহন্দনা থম্বা ঙমখি। পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী অনীশুবা বেটসমেন ময়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং ৭শুবা বেটসমেন শাহরুক খাননা রন ২২/২২ লৌরম্বা অদু নৎতনা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী বোলর খালিল অহমদনা ৱিকেট অহুম লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। অভিশেখ শর্ম্মাসু বেটসমেন ২ আউট তাহনবা ঙমখি। লোয়নন্না ভুবনেশ্বর, এস কোল অমদি রসিদ খানসু ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী রন ১২১গী টার্গেট অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন অমখক আউট ওইরগা ১৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা য়ৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৯দা থোইবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমসুং জোনি বার্ষ্টোনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা ওভর ১০ ফাওবা শান্নমিন্নদুনা রন ৭৩ হাপচিনখি। ৱার্নর বোল ৩৭তা সিক্স ১গা ফোর ৩ য়ৈদুনা রন ৩৭তা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কেন ৱিলিয়মসন অমসুং জোনি বার্ষ্টোনা আউট ওইদনা মেটচ অদু লোইশিনখিবনি। বার্ষ্টো বোল ৫৬তা রন ৬৩ অমসুং ৱিলিয়মসনননা বোল ১৯দা রন ১৬ লৌখি।

## ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব ৬ অমসুং ইটালিগী ৩ য়াওনা স্পেনগী ক্লব ১ য়াওরক্তবদগী সুপর লীগ মায় পাক্লোইদৌরি

লন্দন, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংনা পূনশিন্দুনা তোঙানবা সুপর লীগ হায়না মিংথোনবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্নবা শেম শারকখিবা অদু ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব ৬ ৱিদ্রো তৌখিবা অমদি ইটালিগী ফুটবোল ক্লব ৩গা লোয়নন্না স্পেনগী ফুটবোল ক্লব ১সু য়াওররোই হায়রকপদগী সুপর লীগ অসি মায় পাক্লোইদৌরি।

সুপর লীগ ফুটবোলগী প্রোজেক্ট অসি স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রিয়াল মাদ্রিদকী প্রসিদেন্ট ফ্লোরেন্টিনোনা শাগৎলকপা প্রোজেক্ট অমনি। মহাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহীদগী চাওনা চৈথেং পীরবা শেলগী মতাংদা অৱাবা নংলিবা ক্লবশিংবু হিঙ্গৎহন্নবগীদমক্তা 'সেভ ফুটবোল' হায়বা ৱাখল্লোনদা হৌদোরকখিবনি।

মরক অসিদা, ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব ৬, অর্সনেল, চেলসি, লিভরপুল, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং টোটেনহাম হোটস্পরনা মখোয়-মখোয়গী সপোর্টরশিং অমদি ইংলেন্দ লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সুপর লীগকী প্রোজেক্ট অসি য়ানিংদে হায়বা ফোঙদোরকপদগী ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুং ঙসি ইটালিগী ফুটবোল ক্লব য়ুভেন্টস, ইন্টর মিলান অমসুং এ সী মিলানগা লোয়নন্না স্পেনগী ফুটবোল ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদসু সুপর লীগ অসিদা য়াওররোই হায়না ফোঙদোরকপদগী শান্নবা হৌদ্রিবা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভমদা লৈরে।

হৌজিক-হৌজিক ওফিসল ওইনা সুপর লীগতা মায় ওনশিল্লিবা ক্লব অনী অদুদি স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনা খক্তা ঙাইহৌরে।

নীংশিংবা য়াই, য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসননা সুপর লীগতা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অদু চহী অসিগী য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অমদি মথং চহীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়াওবা য়ারোই হায়না অথিংবা থম্লকপদগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লব অসিনা সুপর লীগতগী ৱিদ্রো তৌরকখিবনি।

ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব ৬না মাংজৌননা সুপর লীগতগী য়াওররোই হায়না লাউথোরকখ্রবা মতুং ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানসু লৈবাক অদুগী অতোপ্পা ক্লব ইন্টর মিলান অমদি স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদনা সুপর লীগতগী তোক্লগনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদুগী পুংজা খরা লৈরবা মতুং মখোয়সু সুপর লীগ অসিদা শরুক য়াররোই হায়রকপনি।

মরক অসিদা, ইটালিগী সেরি এগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবসু এ সী মিলাননা য়াওররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মখোয়সু মতুং ইল্লকপনি। অদুবু য়ুভেন্টসকী ওইনা সুপর লীগ অসিদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মপূং ওইনা নাথৈবদি লৈত্রি হায়রি।

মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ ওইরিবা ফিফা অমদি য়ুরোপকী ফুটবোল এসোসিএসন য়ু ঈ এফ এগী মায়োক্তা মাদ্রিদকী কোর্ট অমনা অনৌবা সুপর লীগ ফুটবোল অসিগী মায়োক্তা অথিংবা থম্লক্লিবা অদু হন্দোক্লবা রুলিং অমা ইস্যু তৌখ্রে হায়রি। ক্লব অনীখক্তা ঙাইহৌরবা সুপর লীগ মায় পাকপগী মমি শাল্লক্লি।




## ৱাং হাও মায়থীবা পীদুনা অনিশ গিরি টাইটলগীদমক হোৎনরক্লি

য়েকাটেরিনবর্গ, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): রসিয়াগী সিটি য়েকাটেরিনবর্গতা চথুরিবা কেন্দিদেটস চেছ টুর্নামেন্টতা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর ৱাং হাওবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্নবগীদমক্তা নেদরলেন্দসকী অনিশ গিরিনা কন্না হোৎনরক্লি।

কেন্দিদেট চেছ টুর্নমেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইরিবা শান্নরোয় অদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা হান্নগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নেদরলেন্দসকী অনিশ গিরিনা ৯শুবা রাউন্দদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর ৱাং হাও মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয় অনীগা লোয়নন্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অনিশ গিরিনা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর ৱাং হাওবু ৩৮শুবা মুভতা মায়থীবা পীখিবনি। অতোপ্পা মেটচ অমদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা অতোপ্পা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অলেকজেন্দর গ্রিচুককা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা শান্নরোয় ৮গী লম্বা অদুদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

## ইন্দিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেনগী হোক্কী টিমনা শান্নগদবা প্রো লীগকী মেটচ অনী য়ৈথোকখ্রে

লোজেন, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা মালেমগী মকোক থোংবা হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা প্রো লীগকী ওইনা লন্দনদা মথং থাগী ৮ অমসুং ৯দা ইন্দিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেনগা শান্নগদবা মেটচ অনী অদু য়ুনাইটেদ কিংদম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চৎথোক-চৎশিনগী মতাংদা রেদ লিষ্ট লৈবাক্লি হায়না ইন্দিয়াবু লাউথোকখিবা মরম্না মেটচ অদু য়ৈথোক্লে হায়না ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হোক্কী ইন্দিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেন হোক্কীগা পূন্না খন্ন-নৈনরবা মতুং হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিগী ফীভম য়েংলগা মে ৮ অমসুং ৯গী মেটচ অদু মখা তাবা মতম অমা লেপ্পনবা কন্না হোৎনরি। নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়ানা য়ুরোপ্তা মখা তানা প্রো লীগকী স্পেনগা মে ১৫ অমসুং ১৬তা শান্নগদবা মেটচশিংগা লোয়নন্না জর্মনিগা মে ২২ অমসুং ২৩দা শান্নগদবা মেটচশিং অদুদি শান্নবা চৎকদৌরি। অমরোমদা, গ্রেট বৃটেননা প্রো লীগকী ওইনা জর্মনিবু মখোয়না য়ূম্বু ওইরগা মে ১২ অমসুং ১৩দা শান্নগদবা মেটচশিং অদুদি অদুম্মক মখা তানা শান্নগনি হায়রি। লোয়নন্না নুপীগী হোক্কীগী ওইনা য়ু এস এগী টিমবু মখোয়না য়ূম্বু ওইরগা মে ২২ অমসুং ২৩দা শান্নগদবা মেটচশিং অদুসু হান্না লেপখিবা মতম অদু য়ৈথোকপা লৈতে। লোয়নন্না লৈবাক অদুনা মে ২২ অমসুং ২৩দা স্পেনবু য়ূম্বু ওইরগা প্রো লীগকী মেটচ অনী শান্নগদবা অদুসু অদুম্মক মখা চথগনি হায়রি। পনবা য়াই, ইন্দিয়াদা ঙরাং অথেংবা ফাওবা অপূনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং লাখ ২১ হেনখ্রে।


ꯑꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ

Resonance®
Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE

A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan

Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota

Physical Classes from Subject Expert of Kota

Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED

- 1 Year NEET/ JEE (Main+Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:
Visit: Nachom Edu Foundation
(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)

3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
Call: 9402979552 / 8794961535


## গোৱাদা লৈঙাক্লা নাইট কর্ফিয়ু থমখ্রবসু এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী মখা তাবা মেটচশিং শান্নখিগনি

মারগাও, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী গোৱাদা লৈবা মারগাওগী ফটোর্দা ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা এসিয়ন ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলগী গ্রুপ ঈগী মখা তাবা মেটচশিং অদু ষ্টেট অদুদা নাইট কর্ফিয়ু লৈঙাক্লা থমখ্রবসু মখা তানা শান্নগনি হায়না গোৱাগী স্পোর্টস মিনিষ্টর মনোহর অজগাওনকরনা ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ঙসি গোৱাগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১,০০০ রেকোর্দ তৌখি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা নুমিদাংগী পুং ১০দগীনা অয়ূক্কী পুং ৬ ফাওবা নাইট কর্ফিয়ু থম্লে হায়না গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্টনা ঙসি পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ অসিদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা এফ সী গোৱানা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াবা ঙম্লিবনি।

এফ সী গোৱাগী ওইনা কটারগী ক্লব অল রাইয়ন অমদি য়ু এ ঈগী ক্লব অল ৱাদাগা গ্রুপ ঈগী অহৌবা মেটচ অনী দ্রো চৎখিবনি। ক্লবশিং অসিনা অমগা-অমগা মেটচ ২/২ শান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী ক্লব এফ সী গোৱানা অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ইরানগী ক্লব পর্সেপোলিসকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি।

জোন ফর্নান্দোনা লমজিং লমতাক্লিবা এফ সী গোৱাগী টিম অসি গ্রুপ ঈগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২ ফংলগা টিম ৪গী লম্বা অসিদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

মারগাওদা লৈবা ফটোর্দা ষ্টেদিয়ম হায়রগসু খঙনবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অসিদা এফ সী গোৱানা রিভর্স ফিক্সরগী মতুংইন্না ইরাই নুমীৎতা মখোয়বু থোইরম্বা পর্সেপোলিসকা শান্নরগনি।


## সটিশ কুমার এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতগী ৱিদ্রো তৌখ্রে

টাস্কেন্ট, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): উজবেকিস্তানগী কোনুং টাস্কেন্টতা চথুরিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর অমা ওইরিবা সটিশ কুমার ৱার্ম অপ প্রেক্টিসতা শোকপদগী ৱিদ্রো তৌরে হায়না ইন্দিয়ন ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী সেক্রেটরি সাহদেব য়াদবনা ফোঙদোরকখ্রে।

সটিশ কুমারনা নুপাগী কিলোগ্রাম ৮১গী কেটগোরিদা গ্রুপ বিগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াননবা শেম শারম্বনি। চথুরিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৫দা ইন্দিয়াগী ঝিলি দলাবেহরানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়নন্না কিলোগ্রাম ৪৯গী কেটগোরিদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলবসু ক্লিন এন্দ জর্কতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। য়ূথ ওলিম্পিক চেম্পিয়ন জে রেমি লালরিননুংঙানা কিলোগ্রাম ৬৭কী কাঙলূপ্তা ৮শুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৭৩গী কাঙলূপ্তা অসিন্তানা সিলভর ফংহৌখি।

HL-P/9651/19-28/4

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 87

**Bajorski, Marius (1896) - WFM Schulze, Lara (2141)**
**9th Vellmar Chess Days Vellmar (1), 2017.07.13**

1.e4 e6 2.d4 d5 3.Nd2 c5 4.exd5 Qxd5
5.dxc5 Nf6 6.Ngf3 Qxc5 7.Bd3 Be7 8.Qe2 Nbd7
9.c4 O-O 10.O-O Re8 11.b3 Qc7 12.Bb2 b6
13.Ne4 Bb7 14.Nxf6+ Bxf6 15.Bxf6 Nxf6 16.Ne5 Rad8
17.Rfd1 g6 18.Rac1 Rd4 19.Bc2 Red8 20.Nf3 Ng4
21.h3...

**QUESTION :**
**Black wins in 8 moves**

**Puzzle 86 Ans. :**


**29.** ...Rxa1 **30.** Nf6+ gxf6 **31.** gxf6 Kf8 **32.** Qg5
**32.** Qg4 Qd8 **33.** Qg7+ Ke8 **34.** Qg8+ Kd7 **35.** Qxf7+ Qe7
**36.** Qxe7#
**36.** fxe7
**32.** ...Qd8 **33.** Qg7+ Ke8 **34.** Qg8+ Kd7 **35.** Qxf7+ Qe7
**36.** Qxe7#
**36.** fxe7

HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam

1ST POSITION 2020

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o. H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342